রাম নাথ কোবিন ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফম পুরকপা চহী অহুম মপুং ফারকপদা মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রসিদেন্টগী ফম পুরকখিবা রাম নাথ কোবিননা মহাক্কী ওফিস অদুদা থৌ পুরকপা চহী ৩ মপুং ফারকপদা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি।

রাম নাথ কোবিননা রাষ্ট্রপতি ভবনদা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরদুনা চহী ৩ মপুং ফারকপা অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং ৭ রোম উনদুনা মখোয়গী অৱাৎপা, নুংঙাইতবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া অমগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মহাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবদা লৈঙাক্কী ওইবা অরুবা ৱারেপ কয়া লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা মীয়াম উনখিবা অদুদা লান্মীশিং অমদি সাইন্টিষ্ট কয়াসু য়াওখি হায়রি।

প্রসিদেন্ট কোবিননা মহাক্কী লোয়নবী ইন্দিয়াগ ফর্স্ত লেদি য়াওনা অতোপ্পা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা মহাক্না চহী ৩ থৌ পুরকপা অসি মপুং ফারকপা অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা পীরিবা চৈথেং অসিবু লান্থেংননবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওই কয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, প্রসিদেন্ট কোবিননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংনবা হোৎনরিবা লৈঙাক্কী ওইবা পি এম ক্যেস ফন্দদা থা অমগী তোলোপ দোনেট তৌখিবগা লোয়ননা চহী অমগী ওইনা মহাক্কী তোলোপ্তগী চাদা ৩০ কক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়না ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকপা ৱারোল অদুনা মখা তারি।

রাম নাথ কোবিননা প্রসিদেন্টগী ফম পায়রদুনা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদগী হৌরগা চহীসিগী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা য়ু এস এ, স্রি লানকা, জাম্বিয়া, ব্রাজিল, স্বিদেন, মোঙ্গোলিয়া, নেদর্লেন্দস, পোর্টুগল অমসুং ম্যন্মারগী হেদ ওফ ষ্টেটশিংবু য়ুম্বু ওইদুনা উনবা ঙমখি।

রাম নাথ কোবিননা মমাঙদা পনখিবা লৈবাক ৯গী হেদ ওফ ষ্টেটশিংবু য়ুম্বু ওইখিবতা নত্তনা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৫গী লুচিংবা অমদি লৈবাক ২৮গী এম্বেসেদর অমদি হায় কম্মিস্নারশিংবুসু য়ুম্বু ওইরগা ৱারী কয়া শান্নবা লৈখি।

রাষ্ট্রপতি ভবনগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিং অমদি থবক থৌরমশিংগী মতাং অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোককখি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিননা ইন্দিয়াগী ওইনা ৫০রক শুবা গভর্নস এন্দ লেফটনেন্ট গভর্নসকী কনফরেন্স অদুসু পাঙথোকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কোভিদ ভেক্সিন হ্যুমেন ট্রায়ল অহানবা ওইনা পাঙথোকপদা চহী ৩০ শুরবা মীওই অমদা শীজিন্নখ্রে

[redacted]

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদা অহানবা ওইনা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)না মালেম শীনবা থুংনা মীওই কয়া অমা শোকহনখ্রবা অমদি মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া শিহনখ্রবা মতুং ইন্দিয়াদা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা ভেক্সিন শেম্লকপদা অহানবা ওইনা মশাগী চহী ৩০ শুরবা নুপা অমদা কোভেক্সিন হায়না মিংথোনবা ভেক্সিন অসি হ্যুমেন ট্রায়ল ওইনা শীজিন্নখ্রে।

কোভেক্সিন ভেক্সিন অসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা পাঙথোকখিবনি। ভেক্সিন অসিগী হ্যুমেন ট্রায়ল ওইনা এইমসনা ভোলুন্টয়র ১২ কৌখৎলগা মনুংদা মখোয়গী ব্লদ অমসুং নেজোফেরিঞ্জেল টেষ্টিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা টেষ্ট কয়া অমা পাঙথোককখি।

রিজল্ট লাক্লবা মতুং মীওইশিং অদুগী মনুংদা মখা তানা মীওই ১০ খনগৎতুনা ভেক্সিন অসি তাঙ্কক নাইনা পীননবা খোঙথাং লৌখৎখি। কোভেক্সিন অসিগী অহানবা দোজ পীখ্রবা মতুং মীওই অদুগী হকচাংগী ফিভম অদুগী মতাংদা ইথিক্স কম্মিতিনা রিপোর্ট অমা পীরবা মতুং মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়রি।

কোভেক্সিন হায়না মিংথোনবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি হায়দরবাদতা বেজ তৌবা ভারত বাইওটেক কম্পেনিনা আই সী এম আর অমদি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিগা খুৎশম্নরগা পুথোরকপনি। ভেক্সিন অসি হন্দক্তা দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)গী মায়কৈদগী হ্যুমেন ক্লিনিকেল ট্রায়ল পাঙথোকপা য়াবগী অয়াবা ফংখিবনি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অসি ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)না খনগৎপা ইন্সটিট্যুট ১২গী মনুংদা অমা ওইখিবনি। ইন্সটিট্যুট অসিদা অহানবা ফেজ অনীগী ওইনা রেদমাইজ, দব্লল ব্লাইন অমসুং প্লাসিবো কন্ট্রোল ক্লিনিকেল ট্রায়ল পাঙথোক্লনবা অয়াবা পীখিবনি।

ট্রায়ল অসিগী অহানবা ফেজ তা চহী ১৮দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অতোপ্পা লায়না অমত্তা নাদ্রিবা মশা ফরবা মীওইশিংদা চথুগদৌরিবনি। মখা তানা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকপদা ট্রায়ল অসি মীরোন্দ্রিবী নুপীশিংসু শরুক য়াহনগনি হায়রি।

হ্যুমেন ট্রায়লগী অনীশুবা তাঙ্ককতা মশাগী চহী ১২দগীনা ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৭৫০ খনগৎতুনা ট্রায়ল অসি চথুগদৌরি। মমাঙদা ভোলুন্টয়র ১৮০০না ট্রায়লগীদমক রেজিষ্টার তৌরকখ্রবনি।

এয়র মার্সল চৌধরিনা ৱেষ্টর্ন কম্মান্দগী চীফ ওফ এয়র ফোর্স ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

এয়র মার্সল বিবেক রাম চৌধরিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দগী অনৌবা কম্মান্দর ইন চীফকী থৌ পুরগনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা এয়র মার্সল চৌধরিনা দিল্লিদা হেদ ক্বার্টর ওইবা ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দগী কম্মান্দর ইন চীফ ওইনা থৌ পুগদৌরিবনি। মহাক্না ওগষ্ট ১দা এয়র মর্সেল বি সুরেসকী মহুৎ শীনগদৌরিবনি।

ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দগী অনৌবা কম্মান্দর ইন চীফ ওইগদৌরিবা ভি আর চৌধরিনা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা মফম অমা ওইরিবা লদাখ সেক্টরগী এরিয়ল দিফেন্স য়েংশিনগদৌরি। ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দদা ইন্দিয়াগী ওইনা ফাইটর জেট সুখোই-৩০ এম কে আই, জাগ্বর অমসুং নিরাজ ২০০০ এয়র ক্রাফশিংনা শেম শাদুনা লাইন ওফ এক্সচ্যুল কন্ট্রোল মনাক্তা লদাখগী ফ্রন্টিয়র বেজদা নীংথিনা লৈরি।

রাজস্থানদা চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা মওংদা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৪ রেদ চত্থবদা ফাগৎপা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি)না চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা রাজস্থানদা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৪ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থানগী চিটোরগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শাদি খুঙ্গংদা থা অসিগী ১৯দা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৪ অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না এজেন্সীগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী জোধপুর জোনেল য়ুনিটকী টিম অমনা শাদি খুঙ্গংদা লৈবা আর লালগী ময়ুম রেদ তৌবদা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৩.৯৭ ফাগৎপা ঙমখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অদুগী ভিলৱারা দিষ্ট্রিক্টতগী এম কে ধাকরসু ফাগৎপা ঙল্লে হায়না নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী দিপ্যুতি দিরেক্টর (ওপরেন্স) কে পি এস মলোত্রানা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিদা ফোঙদোরকখি।

এজেন্সী অসিনা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৪ রোম ফাগৎপা ঙমখিবা থৌদোক অদুদা স্পোর্টস য়ুটিলিটি ভেহিকল (এস য়ু ভি) অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

কে পি এস মলোত্রানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা চৎলিবা কুমজা ২০২০গী ওইনা রাজস্থানগী চিটোগর দিষ্ট্রিক্টতা ফাগৎখিবা ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৩৪ রোম অসিনা চহী অসিগী ওইনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্না ওপিয়ম ফাগৎপা ঙম্বা ওইখি হায়রি।

য়াম্লবা ওপিয়মশিং অদু মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদা বেজ তৌবা দ্রগ ট্রাফিকরশিংগী পোৎলমশিংনি হায়রি। ওপিয়ম অসি পোপি পাম্বীগী মরুশিংদগী কংহল্লগা শেম্বনি। মসিনা কেমিকেল্লি প্রোসেস তৌদুনা মীয়াম্না খঙনরিবা হিরোইন (নম্বর ৪) শুংবদা শীজিন্নরিবনি।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ নার্কোটিক্সনা মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং উট্টর প্রদেশতা ওপিয়ম পুথোক্লবা লাইসেন্স পীরিবনি। অদুবু পোথোকশিং অদু অরানবা লম্বেলদা হিরোইন শুংনবদা শীজিন্ননবগীদমক পুরম্বনি হায়রি।

নাইদুনা এম পি তরুকপু রাজ্য সভাগী পেনেল ওফ ভাইস চ্যেরমেনগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম বেঙ্কয়া নাইদুনা অহানবা ওইনা হাউস অদুগী পেনেল ওফ ভাইস চ্যেরমেনগী ফমগীদমক এম পি ৬ নোমিনেট তৌখ্রে।

লৈঙাক পায়রিবা ভাতিয়া জনটা পার্টিগী ভুবনেশ্বর কলিতা অমসুং সুরেন্দর সিংহ নগর, কোংগ্রেসকী এল হনুমন্থিয়া, নেসনল কোংগ্রেস পার্টিগী বন্দনা চবন ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুখেন্দু সেখর রোই অমসুং বিজু জনটা দল পার্টিগী সস্মিট পত্রাবু বেঙ্গয়া নাইদুনা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেনগীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

খনগৎলবা পেনেলগী মেম্বর ৬ অসিগী মনুংদগী অমনা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন অমদি দিপ্যুতি চ্যেরমেনননা থবক পাঙথোকপগীদমক লাক্তবা অমদি ঙল্লক্তবা মতমদা রাজ্য সভা অদুবু প্রিসাইদ তৌগদৌরিবনি।

বেঙ্কয়া নাইদুনা ভাইস চ্যেরমেনগী পেনেলশিং অদু খনবদা রাজ্য সভাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মশিং অদু য়েংবা অমদি মখোয়গী পার্টি অদুগী লুচিংবশিংগা তান্নরবা মতুং মথক্তা পনখিবা পার্টি ৪গী মেম্বরশিং অদু খনখিবনি হায়রি।

রাজ্য সভাদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা জনটা দল য়ুনাইটেদকী এম পি হরিবন্স রিটয়র তৌখিবদগী হাউসু অদুদা দিপ্যুতি চ্যেরমেনগী ফম পুনবা এম পি লৈত্রি। মেম্বরশিংগী মনুংদগী অনৌবা দিপ্যুতি চ্যেরমেন অমা খন্ননবগী মীখল পাঙথোক্কনি।

অদুবু মরক অসিদা জনাটা দল য়ুনাইটেদকী হরিবন্স নৌনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা অমুক খল্লকপদগী দিপ্যুতি চ্যেরমেনগী ফম অদুদা অমুক পায়রবা য়ারি।

‘ইজরেলগা ৱারী শান্নবদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মতাং য়াওখি’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহগা ঙরাং ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর লেফটনেল জেনরেল বেঞ্জামিন গন্সকা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা হন্দক্তা লদাখকী নোংপোক থংবা শরুক্তা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংগী মরক্তা মুক্লখিবা অদুগী মতাংদা য়াওখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া অমসুং ইজরেল লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা অদু মরু ওইনা লৈবাক অনীগী ওইবা দিফেন্সকী মতাংদা মখা তানা অথুবা মতমদা থবক থৌরমশিং পায়খৎননবা য়াওখি। ৱারী শান্নখিবা অদুদা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিফেন্স খক্তা নত্তনা সিক্যুরিটিগী লমদসু অহেনবা মতেং পীননবগী তাঙ্কক কয়া য়াওখি।

রাজনাথ অমসুং বেঞ্জামিননা শান্নখিবা ৱারী অদুদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা লদাখকী নোংপোক থংবা শরুক্তা মুক্লবা লৈখিবা অদুগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভমগী ৱাফম য়াওখি।

মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ইজরেলনা খুৎলায় অমসুং নোংমৈ মরুগী ওইবা লৈথোক লৈশিনগী মতাংদা অথুবা মতমদা হান্না লৈরম্বা থবক থৌরমশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা কুপ্না ৱারী শান্নখি হায়রি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ কিট ইমপোর্ট লাইসেন্স ফংলম্বা ফার্ম অহুম কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দ্রগ রেগুলেটরনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রেপিদ দাইগ্নোষ্টিক কিদ ইমপোর্ট তৌবগী লাইসেন্স পায়রম্বা ফার্ম অহুম কেন্সেল তৌখ্রে অদুগা অতোপ্পা ফার্ম ১৬ অদুনা য়ু এস এ ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী কোরোনাভাইরস সিরোলোজি টেষ্ট কিটশিং শাবগী কাংলোনশিং ইন্দবগী লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদসু শাবা য়াররোই হায়রি।

ইন্দিয়াদা লৈবা মমাঙদা কোভিদ-১৯গী রেপিদ দাইগ্নোষ্টিক কিট ইমপোর্ট তৌবগী লাইসেন্স পায়রম্বা ফার্ম অহুম অদুদি কেদিলা হেল্থ ক্যের, এম দি এ এ সী ইন্টর্নেসনল অমসুং এন দব্লীয়ু ওভরসিসনি। অদুগা অতোপ্পা কম্পেনি তরুক অদুগী মনুংদা ট্রান্সএসিয়না বাইও- মেদিকেলস, কোসমিক সাইন্টিফিক, ইনবিয়োস ইন্দিয়া, এস দি বাইওসেন্সর, এক্যুরেক্স বাইওমেদিকেলস, বাইও হাউস সোল্যুসন অমসুং ট্রাইভিট্রোন হেল্থ ক্যের য়াওরি।

কম্পেনি ১৬ অসি য়ুএস ফুদ এন্দ দ্রগস এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী লৈবাক অদুদা পুথোকপা কোভিদ-১৯ লায়না চাংয়েং তৌননবা সিরোলোজি টেষ্ট কিট অদু কেন্সেল তৌরকপদগী ইন্দিয়াদসু কম্পেনিশিং অসিনা পুথোকপা কিটশিং অদু মখা তানা শীজিন্নবা য়ারোই হায়না দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমনা খঙহল্লকপনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি খঙদোক্লনবা টেষ্টিং কিটশিং শাবগী থবক থৌরম কয়া অমা লৌখৎতুনা লাকখিবনি লোয়ননা ভেক্সিন পুথোক্লবগী লমদসু লৈবাক কয়াগী কম্পেনিশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিংন্দুনা লাক্লি।

স্রিনগর মনাক্তা খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট ২ হাৎখ্রে

স্রিনগর, জুলাই ২৫ (এজেন্সী):

টেররিষ্ট লুপ অমা ওইরিবা লাস্কর-ঈ-টৈবা (এল ঈ টি)গী মকোক থোংবা কম্মান্দর অমা য়াওনা ঙসি স্রিনগরগী মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং খুৎ থোক্লবদা হাৎখ্রে হায়না মফম অদুগী পুলিসকী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু পুলিসকী টিম অমনা থিবা হুস্বগী থবক চথুবদা টেররিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুৎ হনবদগী মখোয় অনী লৈখিদবনি হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী স্রিনগরগী মনাক্তা লৈবা রানবিরগী অকোয়বদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থিবা-হুস্বগী থবক চথুখিবদা টেররিষ্টশিং অদুনা হান্না নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখিবনি হায়রি।

মদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুৎ হনবদা টেররিষ্ট অনীমক মফম অদুদা শিখিবনি। পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তারদুনা লৈখিদ্রবা টেররিষ্টঅনীগী মনুংদা স্রিনগরগী সোজৈথতা লৈবা ইসফাক রসিদ কৌবা অমা য়াওই হায়রি। মহাক কুমজা ২০১৮দগী কাশ্মির তম্পাক্তা এল ই টিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মকোক থোংবা কম্মান্দর অমনি হায়রি। অতোপ্পা লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট অদুনা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামাদগী অজৈ বাটনি। মখোয় অনীনা লৈখিদবা মফম অদুদগী এ কে ৪৭ রাইফলস অমগা লোয়ননা পিষ্টোল অমগসু ফংবা ঙমখি হায়রি।

ꯍꯔꯥꯎꯕ/ হরাওবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নূংগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীবদগী ঐগী ওইথংবা কিদনিগী Middle Calyx তা ৬ এম এম চাউবা নূং অমা লৈরম্বা অদু ওজা সুধাকরনা হাপ্তা মরি লায়েংবীবদগী নূং অদু তাখ্রে। অলত্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংলুবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ওজা অসিবু ঐনা হরাওবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Leitanthem Bala Devi
Kongpal Kshetri Leikai

HL-P/7403/26

ꯃꯥꯡꯈꯤ/VENDOR LICENCE LOST

I have lost my Vendor Licence (Naga Nullah Market) bearing Licence No. 7(seven), Seat No. 28 and Shed no. 9 (Nine), issued by Imphal Municipal Council Imphal Municipal Corporation on the way between Bazar and Uripok Sorbon Thingel on 20th July, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Laishram (O) Ranjana Devi
Uripok Sorbon Thingel

HL-P/7411/26

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ ওজা ABDUL HAK, PILES কী কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অৱাবা খাঙলকখি। খোং হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রী-ব্রী চৎপা, অমাংথোঙদা চেখাইরগা থুপ্পা, শাবা, শৌজ নান্থরকপা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যেষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ-নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবনি। পূম্নমক অসি ঙসিদি ওজা Abdul Hak Ph. No. 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগা তানজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলস নাবগী অৱাবা পূম্নমক অদু কোক্লে, মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak পু পূন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীহনখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

ওজাগী লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Raju,**
Moirangkhom Loklaobung

HL-P/7388/26

ꯐꯍꯜꯂꯤ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/7203/27 june to 26 july

VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020-2021
Affiliated to Manipur University
BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Prospectus/ Form available during office hours on any working days
Please contact: 9612333542/7005847770
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com
Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

HL-P/7330/16 to 30 july

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %
সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80 % Only.

For details, Please contact,
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
☎ 7085917479

HL-B/6250/4/7-28/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

Ref :- Mutation Case No. 206 SDC/IW(H) 2020

1) Thingbaijam Ngangbi Devi W/o (L) Th. Ibopishak Singh of Irom Meijrao Mamang Leikai. (area .14000 phourel awang thangba saruk)
2) Thingbaijam Manglemba Singh S/o (L) Th. Ibopishak Singh of Irom Meijrao Mamang Leikai. (area .07001 phourel makha thangba saruk)

-Vs-

(Late) Thingbaijam Ibopishak Singh S/o (L) Th. Tolamu Singh of Irom Meijrao Mamang Leikai.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 24/07/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯-ইরোম মৈজ্রাও পাট্টা নং ৩৮৭ (অরিবা), ১৮৬ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং... (অরিবা), ১৩৯৬ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.২১০০১ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার (L) Thingbaijam Ibopishak Singh (Area .21001) অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ৩১/০৭/২০২০ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

HL-P/7410/26

Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W,